# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-01-2025)**

**দ্রগ(এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল জিলাগী লিলোং মাইরেলখুনদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মীওই অমা য়াল্লবা দ্রগকা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মঙোন্দগী তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ৩৭ তা হাপ্তুনা থল্লম্বা ব্রাউন্দ সুগর ওইগনি চিংনবা পোৎলম গ্রাম ৮৫৯ ফাখি। ফারবা মীওই অদু লিলোং মাইরেল খুলদগীনি।

**ফাইন(এল)ঃ** লমদম অসিদা চাক্তবা পাইরকপা ঙানু মিৎঙৌবী হায়না খঙনবা ফেরোজিয়স দগ হাৎলুবা মীওই অমা রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫ ফাইন থিহন্দুনা চৈরাক পীখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন, মন্ত্রিপুখ্রি ইম্ফাল ইষ্টকী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-বিক্রম সুরেসনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২৬ তা মীওই অমনা ঙানু মিৎঙৌবী ফারগা হাৎপগী থৌদোক অমা সোসিএল মেদিয়াদা থেংনরকখি। থৌদোক অদু ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী তোঙান তোঙানবা সেক্সনগী চৎন-কাংলোনশিং খোঙ্গাউনবনি। চৈরাক ফংনিংঙাই ওইবা আইননা য়াদবা মওংদা শাদনবগী কেস ওইবনা ফোরেষ্ট বিভাগনা চেন্নবা মীওই অদু ফানবা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা উচেক অদুবু হাৎলিবা মফম অদু খঙদোকপগা লোয়নন কোইরেঙ্গৈ বিট ওফিসকী কাংবু অমগা লোয়ননা মফম অদুদা চংশিনদুনা চেন্নরিবা মীওই অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

**সভা(এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী পিপলস প্লান কেম্পেইন (পি.পি.সি) ২০২৪-

২৫ সবকী য়োজনা, সবকা বিকাশ অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ককচিং অমসুং লাংমৈদোং সি.দি. ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা অখন্নবা গ্রাম সভা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা চৎলিবা চহি ২০২৫-২৬ কী পঞ্চায়েট দিবলপমেন্ট প্লান (পি.দি.পি) অমসুং অৱাস প্লস ২০২৪ গী বিনিফিসরিশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিন (পি.এম.এ.ৱাই.জি) গী হাউসিং স্কিমগী বিনিফিসরিশিংনা মোবাইল এপ্লিকেসনগী খুত্থাংদা খন্দোকবা সর্ভে অসি পাঙথোকখি।

ঙসি ইরেংবন্দ, ৱাবগাই, হয়েল হেনগুন, ময়েং লমজাউ, ৱাংঙু, চাইরেল অমসুং পাংঙলতাবী জি.পিগী অখন্নবা গ্রাম সভা মীফমশিং পাঙথোক্কনি।

**ভিক্সিত (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা ভিক্সিত ভারত ২০৪৭ বু মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা স্পিপসিএল আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিসনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী মনুং চনবা পুরুম তম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এফ.পি.এ.পি.ভি.সিগী ফিল্ড ওফিসার-মেথিয়ু এস.কে. ভেনগামনা হায়-ভিক্সিত ভারত হায়বসি চাউখৎলবা ভারত হায়বনি। মসি ভারতনা নিংখা তমখিবা চহি ১০০ শুরকপগী থৌরমদা ভারত অসি মপুং ফানা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী থৌরাং অমনি। মসিদা য়ামা মরুওইরিবা নহাশিং, লাইরবা, নুপী অমদি লৌমীশিংগী থৌদাংগী মতাংদসু মরিক চুমা মীয়ামদা খঙহনখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না কুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী ঙাকশেল অমদি শিক্ষা মন্ত্রালয়গী মখাদা

পায়খৎপা প্রোজেক্ট বির গথা ফোর পোইন্ট জিরো সুপর হন্দ্রেদ ৱিনরসতা য়ুনাকো স্কুলগী মহৈরোই অনি য়াওনা মনিপুরদগী মহৈরোই মঙা মনা লৌরক্লে।

সুপর হন্দ্রেদ ৱিন্নরসতা য়াওরক্লবা য়ুনাকো স্কুলগী মহৈরোই অনি অদুদি-স্কুল অসিদা ক্লাস আইট তল্লিবী ইনুংঙানবী লাইশ্রম অমদি ক্লাস টুয়েল্ব তল্লিবা নিভানা চাকপ্রমনি। মখোয় অনিনা প্রোজেক্ট অসিগী লাইয়েকপা চাংদমবদা খনগৎলবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা য়াওরকখিবনি। মহৈরোই অনি অসি ঙরাং য়ুনাকো স্কুলগী চেয়ারমেন-ইরাবন্তানা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ক্লাস নাইনদগী টেন ফাওবগী মহৈরোইশিংগী মল্টি মেদিয়াগী লমদা চান্দেলগী কোইনোনিয়া ত্রেন্নিং স্কুলদগী ক্লাস নাইন তল্লিবী মহৈরোই অমসু য়াওরকখি। মহৈরোই অদুদি-ঙিরিতি রোথানগ্রী কৌই। মহাকা চাংদমবা অসিদা সুপর হন্দ্রেদকী মনুং চল্লকপদা মোনশাং এলদরস ফোরম-দিল্লি অমসুং মোনশাং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, প্রোজেক্ট বির গথা অসি লৈবাক অসিগী গেলেন্টরি ফংখ্রবা অথৌবশিংগী মরমদা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ইং ২০২১ দা হৌদোকখিবনি। চহি অসিগী ওইনা পাঙথোকখিবা বির গথাদা খনগৎলবা মহৈরোই ১০০ দা রক্সা মন্ত্রি-রাজনাথ অমদি শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা ন্যু দিল্লিদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখিবনি।

**গেমসঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ঙরাং উত্তরাখন্দদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখ্রে।

দেহরাদুনদা লৈবা মহারনা প্রতাপ স্তেদিয়মদা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-উত্তরাখন্দা নেসনেল গেমস পাঙথোকপা অসি পুৱারী ওইহৌরগনি। গেমস অসি গ্রীন গেমস হায়না লাউথোক্তুনা ভারতকী ওইরিবা ত্রেদিসনেল স্পোর্টসশিংবু য়োকখৎনবগী পা

দমদা পাঙথোকপনি। চাউখৎপা ভারত অমা ওইবদা শান্ন খোৎনবগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী চাউখৎ খোঙজেলদা স্পোর্টসসু শরুক অমা ওইনা লৌই। লৈবাক অসিনা মালেমগী শেন্মীৎলোনদা অহুমশুবা মফম অমা কন্নবা খোংজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি। হৌখিবা চহি তরা অসিদা স্পোর্টসকীদমক কায়থোক্লিবা শেনফম অসি হান্নদগী শরুক অহুম হেনগৎলে।

মথং থাগী ১৪ ফাওবা চথুগদবা গেমস অসি উট্টরাখন্দগী জিলা ৮ গী সহর ১১ দা পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা মশান্না ৪৭ তা শান্নরোইশিংনা অথোই অহেন তান্নগনি।

**কুম্ভঃ** উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজতা হৌজিক চথরিবা মহা কুম্ভ মেলা অসিদা ঙসি মৌনি অমবৈসাদা লাই খুরুম্বা লাক্কদবা ভক্তশিংগীদমক অখন্নবা রেলগাড়িশিং চেলহল্লি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা রেলৱে বোর্ডকী চেয়ারমেন অমসুং সি.ই.ও. ছাতিসকুমারনা হায়-ভারত রেলৱেনা নুমিৎ অসিদা অখন্নবা রেলগাড়ি ৬০ ভক্তশিংগীদমক চেলহল্লি। মহাকা হায়-নৌনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগা ইরোইননা মৌনি অমবৈসাগী ভক্তাশিংনা তোংনবগীদমক অপুনবা রেলগাড়ি ১৯০ রোম চেলহল্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি-চীফ মিনিস্তরদা ইরাং থোকহল্লকপগী মরাল শিরকপা অথুবা হিয়ারিং চথনবা হোৎনগনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিসকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, ঈচেল এক্সপ্রেস, মোরনিং বেল, গানফিয়ু মেল অমদি হুইয়েন লানপাউদসু

অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মিজেরাম, ম্যান্মার দ্রগ ত্রেদ সেদো ইকোনোমি হায়বা হেদলাইনগা লোয়ননা য়ামা চাউনা মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌহল্লি হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা-কোনরাদ সংমানা এন.পি.পিগী মনিপুরগী লুচিংবশিং লাক্লিবা ফেব্রুৱারী মঙাদা উন্ননবা কৌরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরগী ৱাথোক অসিদি মীৎনা উবা ঙমদবা, ৱাখলনা লাম্বা ফংদবদগী হেন্না শাথিবা অমনি হায়বা এম.পি. বিমোল অকোইজমগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-চীফ মিনিস্তরগীনি হায়দুনা চার্জ তৌবা ওদিও রেকোর্দিংগী মায়োক্তা কেস হায়বা সব হেদলাইনগা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সনদগী লেফটতা টেষ্ট তৌখ্রে। অথুবা মতমদা ৱায়েল চত্থবীয়ু হায়জরকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ফেব্রুৱারী ১০ দগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি মীফমগীদমক ফি শেমরে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-কেস মায়োকরিবা এন.পি.পিগী এম.এল.এশিং ৱাই. জয়কুমারগা উন্নখ্রে। বিরেনগী লৈঙাক এন.পি.পিনা ঙাক্লৌ পীদনবা এম.এল.এশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-স্পিকর সৈত্যবরতা হোম মিনিস্তর অমৃত সাহ উন্নরুরবা মতুং ঙসি ইম্ফালদা থোরক্লগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনা লৈবাক অসিদা পীরক্লিবা চৈথেং অসি কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈগদৌরি হায়বা উপ রাস্ত্রপতি-জগধিপ ধনকরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-সি.এম. কমেন্দেসন সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে।

আই.এল.পি. চৎনখিবা চহি মঙা শুরকপদা সি.এমনা অপেনবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কেপাসিতি বিল্ডিং ওফ দিসকোমস হৌদোকখ্রে। মৈ মেগাৱার্ট ৫০ পুথোক্কদবা সোল্লর পৱার প্লান অনি শারগনি হায়বা মিনিস্তর বিশ্বজিৎকী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর ন্যুজ, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, মনিপুর মেল, মোরনিং বেল অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ওইনা চান-থকবা পুবা অখন্নবা ত্রেন ঙরাং খোংশাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-লিয়াংমাই নাগা বেপটিস এসোসিয়েসননা শিনদুনা মরিশুবা চিলদ্রেন ফেষ্টিবেল পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

বিরেননা লুচিংবা বি.জে.পি. লৈঙাক্তা য়াওররোই হায়না থোক্লকখিবা এন.পি.পিগী এম.এল.এ. মরি দিসক্বালিফাই তৌনবা ওপোজিসন কংগ্রেসনা দাবী তৌরি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।